

# সনালৈবাক স্পোর্টস





হিরো ইন্দিয়ান লিগতা মুম্বাই ফুটবোল ক্লবকী মাইকৈদগী পুনে এফ সিগা শান্নবদা লিগ অসিগী অমত্তা ঙাইরবা হেট ট্রিক ফংবা ঙমখ্রবা ব্রাজিল মচা এন্দ্রি মোরিচ

সুপ্রিম কোর্টকী নিয়ম ব্রাংমদা এসিয়ান ক্রিকেট কাউন্সিলগী মীফম শরুক য়ারুবা ইন্দিয়াগী ফম তাদুনা লৈরিবা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট এন স্রীনিভাসন

## রুনিনা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী শান্নবা ১০০ শুবা মেটচতা পাঞ্জল চন্দুনা স্লোভেনিয়াবু ৩–১দা থোইখ্রে



**লন্দন, নবেম্বর ১৬ঃ** ঙসি লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪গী ক্বালিফাইং মেটচ অমদা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী কেপ্টেন ওইরিবা ৱেন রুনিনা ১০০রক শুবা মেটচ শান্নরকপদা পাঞ্জল চন্বা ঙমদুনা স্লোভেনিয়াবু ৩–১ দা মাইথিবা পীদুনা গ্রুপ 'ই'গী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে ।

গ্রুপ অদুগী মেটচ অহান্বা হাল্ফ শান্নরকপদা ইংলেন্দ অমসুং স্লোভেনিয়াগী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মখোয়মখোয়না চথখিবা এটেক্টশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি ।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরক্লবা মতুং মেটচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা স্লোভেনিয়াগী মিলিবেজো নোবাকোবিচনা ফংখিবা য়াম্না ফজবা ফ্রি কিক অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি ।

ইংলেন্দকী কেপ্টেন ওইরিবা রুনিনা ফংখিবা বোল অমা স্লোভেনিয়াগী দিফেন্ডরশিংবু নমখাইদুনা পুশিনবা হৌরকপদা স্লোভেনিয়াগী কেপ্টেন বোষ্টিন সিজরনা পেনালটি এরিয়া মনুংদা ফাউল্ট তৌরুবগীদমক পেনালটি কিক অমা ইংলেন্দদা মেটচ অদুবু কন্দক তৌখিবা পোর্টুগালগী রেফরি ওলিগরিও বেংকিরেংকানা পীখি ।

পেনালটি কিক অদু কেপ্টেন রুনিনা অশোই অঙাম য়াওদনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্যুলাইজর অদু ফংখি । মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী শান্নরকপদা পুন্না পাঞ্জল ৪৪ চন্দুনা মমাংদা বোবি চার্লতোন্না থল্লম্বা পাঞ্জল ৪৯ অদুগী মথংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লি ।

রুনিগী ইক্যুলাইজর অদু চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী দেনি ৱেলবেকনা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনিটতা মহাক্কী টিম মেট রহিম ষ্টরলিংগা পুশিনমিন্নরকখিবা বোল অমগী মতেংনা ইংলেন্দগী অনিশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি ।

পাঞ্জল ২–১দা মাংজিল থারবা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনিটতা অনিশুবা পাঞ্জল চনখিবা ৱেলবেকনা অমুক্কা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ইংলেন্দবু মেটচ অদুদা স্লোভেনিয়াদগী পাঞ্জল ৩–১দা হেন্দুনা লৈখি ।

মেটচকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা টিম অনিমক্কী মাইকৈদগী পাঞ্জল অহেন্বা হাপচিনবা ঙমদবদগী ইংলেন্দনা ৩–১দা থোইখি । মেটচ অদু ৱেইন রুনিনা ইংলেন্দগী মাইকৈদগী শান্নরকখিবা ১০০ শুবা মেটচ ওইখি ।

গ্রুপ 'ই'গী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা ঙরাং লৈবাক অদুগী সহর সেন্ট গলেন্দদা লৈবা এ এফ জি এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লিথ্বানিয়াবু পাঞ্জল ৪–০দা মাইথিবা পীখি । অদুগা সান মারিনোগী সহর সেরাভেলিদা ষ্টোনিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অমা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি ।

গ্রুপ অসিগী ওইনা রাউন্দ মরি শান্নবা লোইশিল্লকপদা ইংলেন্দ মেটচ মরিমক মাইপাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা মাংজিল থারি । মখোয়গী মতুংদা স্লোভেনিয়া পোইন্ট ৬ ফংদুনা অনিশুবা পোজিসন্দা লৈরি । লোয়ননা স্বিটজরলেন্দ অমসুং লিথ্বানিয়াসু পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা লৈমিন্নরি ।

ক্বালিফাইং লিগ অসিগী গ্রুপ 'সি'দা স্পেন্না বেলারসপু পাঞ্জল ৩–০দা মাইথিবা পীখ্রে । স্পেনগী মাইকৈদগী ইস্কো, পেদ্রো অমসুং সরজিও বাস্কেটনা পাঞ্জল অমমম চন্নখি ।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্লোভাকিয়ানা মেসিদোনিয়াবু পাঞ্জল ২–০দা মাইথিবা পীখি । অদুগা য়ুক্রেন্না লুজেমবর্গপু পাঞ্জল ৩–০দা মাইথিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা স্লোভাকিয়া অমসুং স্পেনগী মতুংদা লৈবা ঙল্লি ।

স্লোভাকিয়ানা রাউন্দ মরি লোইরকপদা মরিমক মাইপাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংবা লোয়ননা মাংজিল থাদুনা লৈরি । অমরোমদা স্পেন অমসুং য়ুক্রেন মেটচ ৩/৩ মাইপাক্লগা অমমম মায়থিদুনা পোইন্ট ৯/৯ ফংনদুনা লৈরকপদা স্পেন্না গোল দিফরেন্স হেন্বদগী স্পেন্না অনিশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি ।

গ্রুপ 'জি'দা ঙরাং রুশিয়াবু ওষ্ট্রিয়ানা পাঞ্জল ১–০দা মাইথিবা পীখি । লোয়ননা মোলদোভাবু লৈকেস্টৈন্না ১–০দা থোইখি । অদুগা স্বিদেন অমসুং মোন্টিনিগ্রোগী মেটচ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি । গ্রুপ অসিদা ওষ্ট্রিয়ানা মেটচ মরি শান্নবদা মেটচ অহুম মাইপাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা লৈরি । স্বিদেন মেটচ অমা মাইপাক্লগা অহুম দ্রো চৎতুনা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরি ।

## তরুক শুবা গেমদা অনন্দ মাইথিবা নংখ্রে



**সোচি, নবেম্বর ১৬ঃ** রুশিয়াগী সহর সোচিদা চখরিবা ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং শান্নখিবা তরুকশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দ নোর্ৱেগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মেগনস কার্লসনগী মখুত্তা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা চাওনা শোইবা অমা লৈখিবদগী মাইথিবা নংদুনা গেম ১২ শান্নগদবা ফাইনেল অদুদা পোইন্ট ২.৫–৩.৫তা শোখদুনা লৈরি ।

মঙাশুবা গেম লোইশিনখিবদা শান্নরোই অনিমক পোইন্ট ২.৫–২.৫ ফংনদুনা লাকখিবনি । ঙরাং অনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা খুদোংচাবা লৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমা ২৬ শুবা মুবতা অশোইবা খোঙচৎ অমা লৈখিবদগী লৌবা ঙমহৌদনা মাইথিবা নংখি ।

গেম অদু অনন্দনা খুদোংচাবা হেন্দুনা লাকলম্বনি । নোর্ৱেগী কার্লসনবু মাইথিবা পীবা য়াবা লাল্লোং শিন্বা য়ারম্বা তাঞ্জা অনন্দনা ২৬ শুবা মুবতা চৎখিবা মহাক্কী পোন্দগী খোঙচৎ অদুনা হান্না লৈরম্বা ফিভম অদু শোম্থহনখি ।

খুদোংচাবা অদু লৌদুনা কার্লসনগী মাইকৈদগী তৌরকখিবা খোঙচৎশিং অদুনা অনন্দ ৩৮ শুবা মুবতা উপায় লৈতদুনা গেম অদু রিজাইন তৌখিবনি ।

অঙৌবা মচু পায়খিবা অনন্দ গেম অদু হৌরকপদা লৈখিবা ফিভম অদু কার্লসনগা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু দ্রো চৎহনবা নত্তনা উপায় লৈখিদবনি। অশোইবা খোঙচৎ অমগী খুদোংচাবা অদুনা মাইপাকহনখিবনি ।

অনন্দনা কার্লসনগী এটেক্টশিং অদুগী কাউন্টর তৌদুনা ফনা কন্না হোৎরবসু গেম অদুগী লোইশিল্লকপদা হান্না শোইখিবা খোঙচৎ অদুগী মখা তাবা ফুগৎপা ঙমখিদবদগী মহাকপু পামজবা ভাভোক লাক্ষ কয়ানা ইন্টরনেটতা মিংয়েং তাখিবা অদু নিংবা কাইহনখি। গেম ১২ শান্নগদবা ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলগী ঙসি পোত্থাবা নুমিৎনি হয়েং কার্লসনননা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নগদৌরি । শোত্থদুনা লৈরিবা অনন্দ ফাইনেল মেটচ অসিদা মাইপাক্লবগীদমক কার্লসনদগী হেনগৎনবা হোৎনবদা য়াম্না চাওবা থবক অমা ওইগদৌরি ।

## ইন্দিয়ানা ৫শুবা ও দি আই ৱিকেট ৩দা থোইখ্রে

**রাঞ্চি, নবেম্বর ১৬ঃ** ঙসি ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা রাঞ্চি সহরদা শান্নখিবা মঙাশুবা ও দি আই অদু ৱিকেট অহুমদা ইন্দিয়ানা থোইখ্রে ।

তোস শ্রীলঙ্কানা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌরকপদা ওভর ৫০দা রন ২৮৬ লৌখি । মদুদা কেপ্টেন এঞ্জেলো মেথিয়ুসনা আউত ওইদনা রন ১৩৯ লৌখি । মদুদা সিক্স ১০ অমদি ফোর ৬ য়াওখি ।

টিম অদুগী থিরিমানে অমসুং দিলসানননা মথংশিংনা রন ৫২ অমসুং ৩৫ লৌরম্বা অদুনা ফজবা ওইখি । মাইপাক্নবা ইন্দিয়ানা রন ২৮৭ দরকার ওইখিবা অদু ওভর ১.২ ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৮৮ লৌদুনা মাইপাকখি ।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংসতা কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা আউত ওইদনা রন ১৩১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি । রাইয়ুদু রন ৫৯ লোয়ননা কেন্দর যাদব অমসুং উথপানা মথংশিংনা রন ২০ অমসুং ১৯ লৌরমখি ।

## নোবাক জোকোবিচ অমসুং রোজর ফেদ্দরর ফাইনেলদা থেংনরগনি



**লন্দন, নবেম্বর ১৬ঃ** লন্দনগী ও–২ এরেনাদা ঙরাং শান্নখিবা এ টি পি ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসকী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিচ অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর টু স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মাইপাক্তুনা ফাইনেলদা থেংনরগনি ।

জোকোবিচ ঙরাং সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নদ্রিঙৈ ফাইনেলস অসিগী লিগ রাউন্দশিংদা মহাক্কা লম্বা তৌনরকপা শান্নরোইশিংনা মঙোন্দগী সেট অমা ফাওবা মুন্বা ঙমখিদবনি । অদুবু জপানগী কৈ নিশিকোরিনা জোকোবিচকা থেংনবা অদুদা সেট অমা মুন্বা ঙমখি ।

সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট জোকোবিচনা নিশিকোরিগী সার্বিস গেম অনি ব্রেক তৌদুনা য়াম্না কোম্না ৬–১দা মাইথিবা পীখি । অদুবু অনিশুবা সেট অদুদা নিশিকোরিনা জোকোবিচকী সার্বিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩দা থোইবদগী সেট অমমম মান্নদুনা লাকখি ।

সেট অনি মান্নরবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা জোকোবিচনা নিশিকোরিগী সার্বিস গেম অহুম ব্রেক তৌদুনা ৬–০দা থোইবদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

চহি ২৭ শুরবা জোকোবিচনা ঙরাংগী মেটচ অদু মাইপাকখিবগা লোয়ননা ইন্দোরদা শান্নবা মেটচ ৩১ থংনা থংননা মাইপাকপা ঙল্লি । মদুগী মনুংদা এ টি পি টুর ফাইনেলসকী মেটচ ১৪ শু য়াওরিবনি ।

মেটচ লোইরগা জোকোবিচনা ফোংদোকখিবদা নিশিকোরিগী মাইকৈদগী শান্নরকখিবা মেটচ অদু য়াম্না ফজখি । লোয়ননা সিজন অসি মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্ককনি । অদুবু ঙরাংগী মেটচ অদুগী অহুমশুবা সেটতা নিশিকোরিগী মাইকৈদগী সার্বিস তৌবদা অশোইবা লাকখিবা তাঞ্জা খরনা মেটচ অদু শোইহনখিবনি হায়খি ।

নাকল অমরোমদা মশাগী চহি ৩৩ শুরবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই ষ্টনিস্লাস ৱারিংকাগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না অকনবা প্রেসর মাইয়োক্লরবা মতুং সেট ২–১দা মাইপাকখি ।

অহানবা সেট ৱারিংকানা ফেদররগী সার্বিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪দা থোইখি । মদুগী মতুং অনিশুবা সেট অমনা অমগী সার্বিস গেমশিং ব্রেক তৌবা ইঙম ঙম্নদনা ১০শুবা গেম য়ৌশিল্লকপদা গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈখি । অদুবু ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই অদুনা ৱারিংকাগী সার্বিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মহাক্কী সার্বিস হোল তৌদুনা ৭–৫দা থোইবদগী অহুমশুবা সেট লম্বা তৌন্নবা শেম শান্নখি ।

অহুমশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনিমক্না শান্নখিবা য়াম্না চেকশিনবা মশান্না অদুদা সার্বিস গেম ১২ অমনা অমবু ব্রেক তৌনবা ঙমখিদে । নিয়মগী মতুং ইন্না তাই ব্রেক শান্নবা তারকখি । মদুদা ফেদররনা মেটচ পোইন্ট ৪ কনবা ঙমদুনা পোইন্ট ৮–৬ তা তাই ব্রেক অদু থোইদুনা এ টি পি টুর ফাইনেলসকী ৭লক শুবা ফাইনেল অদু শান্নগদৌরিবনি ।

নিংশিংবা য়াবদি ফেদররনা জোকোবিচকা থেংনগদৌরিবা ফাইনেল অদু মহাক্কী কেরিয়রগী ১২৪ লক শুবা ফাইনেলনি । চহি অসিগী ওইনা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জোকোবিচ অমসুং ফেদরর থেংনখিবনি । মদুদা জোকোবিচনা সেট ৫দা ফেদররবু মাইথিবা পীরমখি ।

## প্লেয়রশিংনা রিপোর্ট তৌরগদবনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী টেকনিকেল কম্মীটিনা এসোসিয়েসন অসিগী অন্দর ১৬ বোইজ টিম জুনিয়র ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ দা শরুক য়ান্বা খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিংনা নবেম্বর ১৭ কী অয়ুক পুং ৭.৩০ দা মালোমগী ব্রাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দদা মশাগী কিট পুন্নমক লোয়নরগা মেনেজর তকাবোই অমসুং এল দেবচন্দ্রদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা থোকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী জুনিয়র বোইজ টিম অসিগী মেনেজর ওইনা এম তকাবোই সিংহ অমসুং এ এফ সি গী (সি) লাইসেন্স পাইরবা এল দেবচন্দ্র সিংহবু কোচ ওইনা খল্লে হায়রি।

## কেরলা ব্লাষ্টর্সনা দিল্লি ডাইনামোস পাঞ্জল ১–০দা মাইথিবা পীখ্রে

**নিউ দিল্লি, নবেম্বর ১৬ঃ** ঙসি হিরো ইন্দিয়ান সুপর লিগকী ৩৩ শুবা মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা দিল্লি ডাইনামোসপু পাঞ্জল ১–০দা মাইথিবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে ।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মাইকৈদগী অনিশুবা হাল্ফতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চংলকখিবা পেন ওর্জিনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি ।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্স মাইপাক্তুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙম্নবগী অচৌবা থাজবগা লোয়ননা শান্নরকপনি । নাকল অমরোমদা দিল্লি ডাইনামোস লিগ অসিদা মেটচ ৮ শান্নখিবদা শুপ্নগী পোইন্ট ৭ খক ফংলগা লিগকী মমৈদা লৈরিবনি । মখোয়সু মপুং ফবা পোইন্ট ৩ ফংদুনা পোজিসন হেনগৎনবগী অচৌবা আশাগা লোয়ননা শান্নবা হৌখি ।

দিল্লি ডাইনামোসকী টিম অসিদা এলিজেন্দ্রো দেলপিএরো কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারকপনি । অমরোমদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী ওইনা সেদ্রিক হেংবর্গনা কেপ্টেন ওইখি ।

লিগ অসিগী মমাংগী মেটচ খরদা পাঞ্জল চন্নানবা ঙমদনা দ্রো চৎপনা অনম্বা ওইখি । ঙসিগী মেটচ অদুসু অহানবা হাল্ফ ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি । অনিশুবা হাল্ফতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মাইকৈদা পেন ওর্জি শান্নবা চংলকখি। মহাক্না রাফেল রোমিগী মহুৎ শিল্লকপনি ।

মহাক চংলকপা ইকান কান্নদনা মিনিট ৫ লৈরগা টিম মেট হিয়ুমনা পিরকপা পাস অমা দিল্লি ডাইনামোসকী পেনালটি এরিয়া মতোলদা ফংদুনা কাওশিনখিবদা দিল্লিগী কিপর দেবিদ জেমস মাইথিবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি ।

পাঞ্জল অমা শোত্থখ্রবা দেল্লিগী টিম য়াম্না কান্না হোৎনরকখি । অদুবু কেরলাগী মাইকৈদগী তকশিনবা হেনজিল্লক্তুনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনিটতা টিম অদুনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমা দেল পিএরোনা কাওশিনখিবদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী ৱালদা খেৎখিদুনা পাঞ্জল ওন্থোকখিদবনি । মখা তাবা মতম অহেনবা পাঞ্জল হাপ্পা ঙমদনা মেটচ অদু লোইশিনখি ।



| Hero Indian Super League | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| POINT TABLE | | | | | | | | |
| TEAM | M | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
| Atletico de Kolkata | 8 | 3 | 4 | 1 | 11 | 7 | 4 | 13 |
| Chennaiyan FC | 8 | 3 | 4 | 1 | 14 | 11 | 3 | 13 |
| **Kerala Blasters FC** | **9** | **3** | **3** | **3** | **6** | **6** | **0** | **12** |
| FC Pune City | 8 | 3 | 3 | 2 | 8 | 9 | -1 | 12 |
| Mumbai City FC | 8 | 3 | 2 | 3 | 8 | 10 | -2 | 11 |
| North East United FC | 8 | 2 | 4 | 2 | 6 | 6 | 0 | 10 |
| FC Goa | 8 | 2 | 2 | 4 | 9 | 10 | -1 | 8 |
| **Delhi Dynamos FC** | **9** | **1** | **4** | **4** | **7** | **10** | **-3** | **7** |

| MATCH 33 | |
|---|---|
| Delhi Dynamos FC | Kerala Blasters FC |
| Kristof van Hout (GK) | David James (GK) |
| Shouvik Ghosh | Saumik Dey |
| Wim Raymaekers | Cedric Hengbart (C) |
| Anwar Ali | Gurwinder Singh |
| Pavel Elias | Sandesh Jhingan |
| Souvik Chakraborty | Raphael Romey |
| Hans Mulder | Godwin Franco |
| Adil Khan | Stephen Pearson |
| Shylo Malsawmtluanga | Iain Hume |
| Alessandro Del Piero (C) | Milagres Gonsalves |
| Mads Junker | CS Sabeeth |


ꯃꯇꯦꯡꯄꯥꯡꯕ ꯁꯥꯟꯗꯣꯟ/থবক্কী পাউ

*Regd. No. 140062 - 03550 pt. 1 (Micro)*
*Govt. of Manipur*

1. BANKING STAFF, MICRO FINANCE AND other private bank in Imphal, Asst. Manager, Loan Manager, Loan Recovery, Account opening, Security (ATM & Bank), Branch manager, Accountant (Tally)
2. AIRPORT VACANCY FOR DOMESTIC & INTERNATIONAL, Cabin Crew, Ground Staff, Air Ticketing, Loader and Driver.
3. HOTEL/SCHOOL/OFFICE/MALL/BANK/HOSPITAL

Receiption, Loan Recovery, Accountant (tally) A.O., M.R., Asst. Manager, Branch Manager, Sales Officer, Marketing executive, Choukidar, L.D.C., Peon, Helper, Sweeper, House Keeping, Attendent, Security, Computer Operator, Nurse (ANM, GNM, B. Sc. M.Sc) Xray laboratory technician, Extra income & part time jobs for students, House wife and unemployment in Manipur (Income - Rs.8,000 - 15,000/- per month)

| Sl.No. | Qualification | No. of Post | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | X - Grad. | 40 | 9,000 - 18,000 |
| 2. | VIII - Grad. | 60 | 8,500 - 25,000 |
| 3. | VIII - Grad. | 60 | 5,000 - 15,000 |

Interview : 27/11/2014
Last Date : 26/11/2014
# 9615235459 / 8731061709 / 9863616062
SLK/1843/12-11-14

**Rising Star Collaboration**
New Checkon, Singh Publicity Building 4th Floor
Or,
Kwakeithel Thoudababok Leikai
Near Akash Institute



**F.i tutorial for CBSE**
*For Acheiving Excellence in CBSE*
*Keishampat Hodam Leirak, opp. Tiddim oil pump.*
**ADMISSION OPEN**
*Compact and Exam preparatory Revision Course ---- for Class-XII CBSE*
*Class commencing from 17th NOV, 2014*
*Last date of Admission --10th NOV.2014*
- *Chapterwise analysis for every subjects.*
- *Analysis of CBSE Questions pattern.*
- *Highly suggested study materials for Exam.*
- *Analysis of probable question for the forth coming Exam.*
- *Analysis of impovement of weaker students.*

*Class timing: 4.30 p.m to 7.40 p.m.*
*Subject: All*
**Hostel & Transport Facilities available**
*For details please contact office- 1 p.m to 8.00 p.m or # 8575317894 &9856941992 (Sunday Open)*